# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 11-02-2025)**
## অকাশবানি ইম্ফালগী

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) সেক্যুরিতি ফোর্সনা হৌখিবা নুমিৎ নিনি অসিদা খূৎলাই লল্লোনবা অমা য়াওনা তোঙান তোঙানবা লালহৌলুপশিংগী মীওই ১০ ফারে।

২) ৩৮ শুবা নেসনেল গেমসতা মণিপুরনা ঙরাং সনাগী তকমান অমা, লূপাগী অমা অমসুং শেঞ্জেংগী তকমান অহুম ফংখি। মণিপুরনা সনাগী ১৩ য়াওনা পুন্না তকমান ৪৩ ফংলে।

**অমসুং**

৩) গৃহ মন্ত্রালয়না হায়রি-ইং ২০২৪দা লূপা কোতি লিশিং ২৫ হেনবগী দ্রগ ফাগৎপা ঙমখিবা অসি মমাঙ চহীগা য়েংনরুবদা চাদা ৫৫ হেনগৎলে।

**খূৎলাই (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী চীং অমসুং তম্পাক্কী চিংনবা মফমশিংদা থিবা হুন্বগী থবক লেপ্তুনা চথরি। মণিপুর পুলিসকী চেরোল অমনা হায়-ঙরাং ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী সিতি পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা রুপমাহল তেঙ্ক ময়াদগী কে.সি.পি(অপুনবা)গী মীওই অনি ফাগৎপা ঙমখি। মখোয় রুপমাহল তেঙ্ক অমদি মসিগী অকোইবদা লৈবা দুকানশিংদগী শেল খাইবদা চেন্নবনি হায়রি। মখোয়দগী মোবাইল হেন্দসেট অনি, চাকা অনি পানবা গারি অমা ফাগৎপা ঙল্লে।

হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিত্তা চুরাচান্দপুর জিলাগী চুরাচান্দপুর পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা কোনপুইদা থিবা হুন্বগী থবক চথবদা মীওই অমা ফাগৎপা ঙমখি। মহাক খূৎলাই পুথোক পুশিন তৌবদা চেন্নবা মীশকি হায়রি। মঙোন্দগী

কোল্ট ৭.৬৫ এম.এম ওতো পিষ্টোল অমা, কন্ত্রিমেদ নাইন এম.এম পিষ্টোল অমা, কোল্ট ৭.৬৫ এম.এমগী মেগজিন অনি, নাইন এম.এম.পিষ্টোলগী মেগজিন অমা, ৭.৬৫ এম.এম ওতো পিষ্টোলগী কাপ্পা য়ারিবা নোংমৈ ১১, নাইন এম.এম.পিষ্টোলগী কাপ্পা য়ারিবা মরু মঙা, পিষ্টোল হোলস্তর অমা, চাকা অনি পানবা গারি অমা ফাগৎলে।

নুমিৎ অসিমক্তদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা তেংনৌপল জিলাগী তেংনৌপল পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা বোর্দর পিলর ৮৫ তগী য়ু.এন.এল.এফ অমসুং প্রিপাক্কী হকচিনবা মীওই অমমম ফাগৎপা ঙমখি। মখোয়দগী ম্যান্মারগী শেলসু ফাগৎপা ঙম্লে। নুমিৎ অসিমক্তদা কে.সি.পি তাইবংঙানবাগী মীওই মঙা অমসুং অতোপ্পা মীওই অমা তেংনৌপল জিলাগী এল.মিনৌদগী ফাগৎপা ঙমখি। মখোয়দগী ৭.৬২ এম.এম.এল.এম.জি রাইফল অমা, ৭.৬২ এম.এম.এস.এল.আর রাইফল অমা, ৫.৫৬ ইন্সাস রাইফল অনি, ৭.৬২ এম.এম.এ.কে-৪৭ রাইফল অমা, ৭.৬২ এল.এম.জি মেগজিন মঙা, ৭.৬২ এম.এম.এস.এল.আর মেগজিন অনি, ৫.৫৬ ইন্সাস এল.এম.জি মেগজিন মঙা, ৭.৬২ এম.এম.এ.কে-৪৭ মেগজিন অনি, নোংমৈ মরু ৬৪০ রোম, বুলেট প্রুফ জেকেট অমদি অতৈ পোৎলম কয়া ফাগৎপা ঙমখি।

মরক অসিদা, নেসনেল হাইৱে-২ অমসুং ৩৭ দা অকনবা চেকশিল থৌরাংগা লোয়ননা নোংমদা তঙাইফদনা চংবা পোৎলমশিং অকনবা চেকশিল থৌরাংগা লোয়ননা ইম্ফালোমদা পুশিল্লকখ্রে। নেসনেল হাইৱে-২ দা মাল পুবা গারি ১৯৯ অমসুং নেসনেল হাইৱে-৩৭ দা মাল পুবা গারি ২০৯ পুশিল্লকখি।

**ফিল্ম গুৱাহাতি(এল)ঃ** অসামগী জিওতি চিত্রবোন ফিল্ম ষ্টুদিওদা পাঙথোকপা অহানবা গুৱাহাতি এসিয়ন ফিল্ম ফেষ্টিভেল ২০২৫দা হাউবম পবনকুমারনা দিরেক্সন পীবা ‘জোসেপ সন’না বেষ্ট ফিল্মগী মনা ফংলক্লে। ফেব্রুৱারি ৭ তগী ৯ ফাওবা পাঙথোকখিবা ফিল্ম ফেষ্টিভেল অসিদা ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী ফিল্ম মেকরশিং অমদি শ্রী লঙ্কাদগী শকাইরবা

ফিল্ম মেকরসু শরুক য়াখি।

**গেমসঃ** উট্টারাখন্দদা চথরিবা ৩৮ শুবা নেসনেল গেমসতা মণিপুরনা ঙরাং সনাগী তকমান অমা, লূপাগী অমা অমসুং শেঞ্চেংগী তকমান অহুম ফংবা ঙমখি। মেদল তেল্লিদা মণিপুরনা সনাগী তকমান ১৩, লূপা ১৩ অমসুং শেঞ্চেংগী ১৭ পুন্না তকমান ৪৩ ফংদুনা মেদল তেল্লিগী ৮ শুবা মফমদা লৈরি।

মণিপুরনা ঙরাং ফেন্সিং মশান্নদা সনাগী তকমান অমা অমসুং শেঞ্চেংগী তকমান অমসু ফংবা ঙমখি। নাওরেম মিনানা নপীগী ইন্দিভিজ্যএল ফোইল কম্পিতিসনদা সনাগী তকমান অমা অমসুং দল্লিয়ু.সোনিয়ানা লূপাগী তকমান অমা ফংখি। মণিপুরনা ঙরাং নুপাগী মাউন্তেন বাইক কম্পিতিসনদা লূপাগী তকমান অমা, নুপীগী জদোগী কিলোগ্রাম ৫২ গী কেটগোরিদা মণিপুরগী শান্নরোই- মতৌলৈবী চনুনা মহাক্কী লম্বা মধ্য প্রদেশকী সন্ধয়া তিৱারি অমসুং নুপীগী কিলোগ্রমা ৫৭ কেটগোরিদা মণিপুরগী অনিতা চনুনা মহাক্কী লম্বা হিমাচল প্রদেশকী রুপাসিবু মায়থিবা পীদুনা শেঞ্চেংগী তকমানশিং অসি ফংবা ঙমখিবনি।

সাভির্সেস স্পোর্টস কন্ট্রোল বোর্ডনা সনাগী ৪৭, লুপাগী ১৮, শেঞ্চেংগী ১৯ য়াওনা পুন্না তকমান ৮৪ ফংদুনা অহানবা, মহারাষ্ট্রনা সনাগী ৩৩, লুপাগী ৪৮, শেঞ্চেং ৪৮ য়াওনা পুন্না তকমান ১২৯ ফংদুনা অনিসুবাদা অমসুং করনাতক্কানা সনাগী ৩২, লুপাগী ১৫ অমসুং শেঞ্চেংগী ১৯ পুন্না তকমান ৬৬ ফংদুনা অহুমসুবদা লৈরি।

**হোমঃ** গৃহ মন্ত্রালয়না হায়রি-ইং ২০২৪দা লূপা কোতি লিশিং ২৫ হেনবগী দ্রগ ফাগৎপা ঙমখি। মসি মমাঙ চহীদগী চাদা ৫৫ অমসুং লূপা কোতি লিশিং ১৬ হেনগৎনা ফাগৎপা ঙল্লে। থৌরাং অসি সরকার অসিনা দ্রগকী মাইয়োক্তা জেরো টোলরেন্স থৌশিল পায়খৎলকপদগীনি।

চেরোল অমদা, মন্ত্রালয়না হায়-সাইকোট্রোপিক সবস্তেন্সেস ওইনা

শিজিন্নবা সিন্থেতিক দ্রগ, কানি অমসুং ফার্মাসিউতিকেল দ্রগস ফাগৎপগী চাংসু কা হেন্না ৱাংখি। চেরোল অদুনা হায়-ইং ২০২৩ দা কানি কিলোগ্রাম ২৯২ ফাগৎখি। মসি ইং ২০২৪ দদি কিলোগ্রাম লিশিং ১,৪২৬ ফাগৎপা ঙমখি। হাসিস ফাগৎপগী চাংনা ইং ২০২৩ দা ক্বিন্তল ৩৪ ওইখিবা অদু ইং ২০২৪ দা ক্বিন্তল ৬১ ফাগৎপা ঙমখি।

**মোদি ঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিগী ফ্রান্স অমসুং আমেরিকাগী খোঙচৎ ঙরাং পেরিসতা থুংখ্রে। মহাকপু ফ্রান্সকী আর্ম ফোর্সেসনা মন্ত্রি সেবাস্তিন লেকোরনুনা তরামা ওকখি। তুংদা, ফ্রান্সকী রাস্ত্রপতি ইমান্যুএল মেক্রোননা এ.আই মীফমদা শরুক য়াগদবা চাক্লেন অমদা প্রধান মন্ত্রি শরুক য়াখি। প্রধান মন্ত্রিনা অমেরিকাগী উপ-রাস্ত্রপতি জে.দি বেন্সকসু উন্নদুনা ৱারি শান্নখি।

প্রধান মন্ত্রিনা এ.আই. এক্সন সমিট-২০২৫ দা শরুক য়াগনি। মীফম অসি ভারতনা ফ্রান্সকা পুন্না শিন্দুনা পাঙথোকপনি। মীফম অসিগী মরুওইবা পান্দমদি মালেমগী ওইনা এ.আই ষ্টেন্দার্দ শেমগৎপা অমসুং এ.আই চাউখৎননবা থবক থৌরমশিং পাঙথোকবনি। প্রধান মন্ত্রিনা ফ্রান্সকী রাস্ত্রপতিগা লৈবাক অনিগী ওইবা মরি হেন্না ফগৎননবগী মতাংদা ৱারি শান্নগনি। উনবা অদুদা, লুচিংবা অনিনা লৈবাক অনিগী ওইবা মরুওইবা য়ান-ৱারোল কয়া সহী তৌনরবা য়াই। প্রধান মন্ত্রিনা ঐতিহাসিক ওইরবা সহর মারসেলদা নৌনা হাংদোক্কদবা ভারতকী কন্সুলেট জেনরেলসু শঙ্গাগনি।

**ডে ঃ** উনানি ডেগা মরী লৈননা রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা ঙসি নিউ দিল্লিদা নুমিৎ নিনি চথুগদবা অন্তরজাতিগী মীফম অমা হৌদোক্কনি। থৌরম অদুদা সাইন্স এন্দ টেকোলোজি মন্ত্রি ডাঃ জিতেন্দ্র সিংহ শরুক য়াগনি। চহি খুদিংগী ফেব্রুৱারি ১১ অসি উনানদি ডে হায়না পাঙথোক্কুনা লাক্লি। শকাইরবা উনানিগী ফিজিক্সিয়ান অমসুং ফ্রিদম ফাইটর হকিম অজমল খানগী মপোক নুমিৎপু উনানি নুমিৎ হায়না পাঙথোক্কুনা লাক্লি। সেন্ত্রেল কাউন্সিল ফোর রিছার্স ইন উনানিদা

কেন্দ্রগী আয়ুস মন্ত্রালয়গী মখাদা মীফম অসি শিনবনি।

**ৱিক ঃ** ইন্দিয়া ইনর্জি ৱিক ২০২৫ ঙসি নিউ দেল্লিদা হৌরগনি। নিউ দেল্লিদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা কেন্দ্রগী পেট্রোল্লিয়ম অমসুং নেচরেল গ্যাস মন্ত্রি হর্দিব সিংহনা হায়-নিউ দেল্লিগী দ্বারকাদা লৈবা য়সোভুমিদা নুমিৎ মরিনি চথ্যগদবা থৌরম অসি প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ভর্চ্যুএল ওইনা হৌদোক্কনি। মন্ত্রিনা হায়-নুমিৎ মরিনি চথ্যগদবা থৌরম অসি মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী চাউবা ইনর্জিগা মরি লৈনবা অনিশুবা থৌরমনি । থৌরম অসিদা স্পেস এগজিবিসন য়াওনা তোঙান তোঙানবা সেসন কয়া লৈগনি। মন্ত্রিনা হায়-থৌরম অদুদা প্রধান মন্ত্রি উজৱালা য়োজনা লৈবাক অসিদা মাই পাকা পাইখৎপগী থৌরমশিং উৎকনি। থৌরম অসিদা লৈবাক ১০ গী পেভিলনশিং হাংদোক্কনি।

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

নোংথোম্বম বিরেনগী মহুৎ কনানা শিনগনি হায়না ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

নহারোলগী থৌদাংদা লাক্কদৌরিবা বি.জে.পিনা লূচিংবা মণিপুরগী অনৌবা লৈঙাক্তা এন.পি.পিনা শৌগৎকনি হায়না মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

মণিপুর নিউজতা বি.জে.পি নোর্থ ইষ্ট ইন চার্জ সম্বিট পটত্রানা এম.এল.এশিং ক্লোস দোরদা উন্নখ্রে, ইমুং মনুংগী ওইবা ইস্যুনি, তোঙানবা ৱাফম অমত্তা লৈতে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

হুইয়েং লানপাউদা মণিপুর লৈঙাক্কী হৌজিক ওইরিবা ফীভমসি করিনো, এনিমেতেদ সস্পেন্সগী শক্তম ওইগদ্রা হংনরক্লে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনদা পি.আরসু পামদে, এনিমেতেদ সস্পেন্সনসু পামদে: কংগ্রেস-হায়না এঙ্কর কলমদা ফোঙলি।

নুপী আর্টিশিংগী আর্ট এগজিবিসননা অয়েংবশিংগী পুকিং শুমহৎখ্রে হায়বা

পাউ অমা সনালৈবাক্কী এঙ্কর কলমদা ফোঙলি।

তামেংলোংদা নসামুখ ভারত অভিয়ান ২০২৪-২৫ হৌদোকখ্রে হায়বা পাউ মোর্নিং বেলগী এঙ্কর কলমদা ফোঙলি।

সিক্কীমদা লেমহৌরিবা কম্ম্যুনিতি ১২ গী এস.টি স্তেতস ফংনবা হাই লেবেল কম্মিটি মীতিং পাঙথোকখ্রে হায়না সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

এন.ঈ.পি মপুং ফানা ইমপ্লিমেন্ট তৌদবগী মাইয়োক্তা মহৈরোইশিংনা খোঙজং চংশিনখ্রে হায়না ইচেল এক্সপ্রেসতা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

উখ্রুলগী সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংনা মখোয়গী দাবী ফংদবদগী উখ্রুল মিনি সেক্রেটরিয়েট সো লোনশিনখ্রে হায়দুনা দ পীপলস ক্রোনিকলদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

মণিপুর মেলদা মণিপুরনা নেসনেল গেমসতা মেদল অনি অমগসু ফংলক্লে হায়না হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

সেনাপতিদা ফোঙবা হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসতা-দেল্লিদা ফেব্রুৱারি ১২ দা পাঙথোক্কদবা বি.জে.পিগী হাই কম্মান্দ মীফমদা মণিপুরগী অনৌবা চিফ মিণিষ্টর কনানা ওইহনগনি হায়না খন্নরবা য়াই হায়না হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

তামেংলোংদা ফোঙবা হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসতা-কংগ্রেসনা মণিপুরদা প্রসিদেন্ট রুল লাকহন্নিংদবগী ৱাফমনা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি। পাউচে অসিমক্তদা, ৩২ রক শুবা রানি গাইদিনলিউ লৈখিদবগী কুমওনগা মরি লৈননা পাঙথোকপা ৮ শুবা নোক আউট ফুটবোল টুরনামেন্ট অসামগী কসার জিলাদা হৌদোকখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

**--পাউ লোইজরে--**